নম্বোল এ সীগী মনুং চন্না লৈবা ২৪/৪১ নাওরেমদগী হান্না কোংগ্রেস পার্টিবু শৌগৎলম্বা ইমুং ৫০গী মীওইশিংনা বি জে পিদা নৌনা য়াওরকপদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট টি ঐচ বসন্তনা তরাম্না ওকখিবা

ইরমদম মীয়ামগী অপুনবা খোর্জে লূপ (ইমাখোল) অৰাং পোৎশংবমনা শীন্দুনা লূপ অসিগী পেট্রোন মেম্বর ওইবীরিবী হাওরোংবম বেলারানিনা ইবা মৈতাল অরাবগী ৰাকৎ হায়বা মিংথোনবা শৈরেং লাইরিক ফোংখিবা

পুংদোংবম অৰাং মনিং লৈকায়দা লৈবা ইরুংবম কুবেরগী য়ুমগী অৰাংথংবা শঙ্গোয়গী মথক্তা বোম লংশিল্লম্ববু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা পুংদোংবম ময়াই লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা মীয়াম্না ৰাকৎ মীফম ফমখিবা

PUBLIC RALLY AGAINST THE WRONGFUL ARREST OF
BD. ROMEO, PRESIDENT
ALL MANIPUR TRIBAL UNION (AMTU)
BY THE MANIPUR POLICE
WE DEMAND JUSTICE FOR EARLY RELEASE
ORGANIZED BY ANAL CIVIL SOCIETY

চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা থুংচেং ভিলেজদগী হৌজিক্লা লাঙ্গোল গেম ভিলেজদা লৈরিবা ওল মণিপুর ত্রাইবেল য়ুনিয়ন (এ এম টি য়ু)গী ৰার্কিং প্রসিদেন্ট রোমিও বুংদোন ফাখিববু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা চান্দেলদা মীয়াম্না রেল্লি চৎখিবা

লাইরিক ফোংখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ঐচ এন এস): ইরমদম মীয়ামগী অপুনবা খোর্জে লূপ (ইমাখোল) অৰাং পোৎশংবমনা শীন্দুনা লূপ অসিগী পেট্রোন মেম্বর ওইবীরিবী হাওরোংবম বেলারানিনা ইবা *মৈতাল অরাবগী ৰাকৎ* হায়না মিংথোনবা শৈরেং লাইরিক অমা এন জি কোলেজগী কনফরেন্স হোলদা ফোংখ্রে হায়না ইমাখোলগী জেনরেল সেক্রেটরি ৰাহেংবম রোমেন মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোংদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌরম অসিদা মণিপুরী লেংগ্বেজ এদভাইজরি বোর্দ, ন্যু দেল্লীগী কনভেনর নোংমাইথেম কিরনকুমারনা অথোইবা মীথুং, ইমাখোলগী প্রসিদেন্ট ডা. রাজকুমার গুনচন্দ্রনা থৌরম মপু অমদি এন জি কোলেজগী প্রিন্সপাল লাইরেঞ্জম মংলেম্বনা অখন্নবা লেংবীরকপা ওইনা শরুক য়াখি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এসোসিএট প্রোফেসর ডা. কোইজম শান্তিবালানা লাইরিক্কী মরমদা মরিক চুম্বা পাউদম কয়াগা লোয়ননা লাইরিক মশক তাকপীখি। ঙসি ফোংলিবা লাইরিক অসিনা লূপ অসিগী ১০৩ শুবা লাইরিকনি। থৌরমসিদা লমদমসিগী অইবা-অইবী কয়ানা শরুক য়াখি।

চীফ মিনিষ্টরনা মীৎয়েং চঙবীয়ু

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ঐচ এন এস): মণিপুর বিল্ডিং এন্দ অদর কন্সত্রক্সন ৰার্করস ৱেলফেয়র বোর্দনা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমনা বোর্দ অসিগী মখাদা রেজিষ্টর তৌরবা বিল্ডিং ৰার্করশিংগী মচা-মশুশিংনা মহৈ-মশিন তম্বদা ফাইনান্সিএল এসিষ্টেন্স পীরম্বা অদু কুমজা ২০১৮-১৯, ২০১৯-২০ অমসুং ২০২০-২১গী ওইনা কেন্সেল তৌখিবা অসি য়ানিংদে। হীরমসিগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙদুনা বিল্ডিং ৰার্করশিংগী মচা-মশুশিং মহৈ-মশিন তম্বদা মতেং ওইননবা ফাইনান্সিএল এসিষ্টেন্স অসি ফংহনবীয়ু হায়না নোর্দন মণিপুর বিল্ডিং ৰার্করস য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি ৰাইখোম বিনা চনুনা ফোংদোরক্লি।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি নুংথিল পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা ৰাইখোম বিনা চনুনা হায়খি, কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা খম থেংনা অৰাবা মায়োক্লরবা ৰার্করশিংনা মচা-মশুশিং মহৈ তমহন্ননবা হোৎনবদা শেল-থুমগী অৰাবা কয়া চাউনা মায়োক্লরিবনি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা মণিপুর বিল্ডিং এন্দ অদর কন্সত্রক্সন ৰার্করস ৱেলফেয়র বোর্দনা ৰার্করশিংগী মচা-মশুশিং মহৈ তম্বদা পীরম্বা ফাইনান্সিএল এসিষ্টেন্সশিং ককথৎখিবা হায়বসি য়ুনিয়ন অসিনা তরাইনা লৌদে। রেজিষ্টর তৌরবা ৰার্করশিংনা অশোক-অপন য়াওরকপা মতমদা মেদিকেল ক্লেম তৌদুনা শেনফম খরা তেংবাঙ ওইনা ফংলম্বা অদুসু পীবীখিদ্রে। মদুদা নত্তনা কোভিদ পেন্দমিক মনুংদা অহল ওইরবা ৰার্করশিংদা পীফম থোকপা পেন্সনসু পীবীদ্রি। মরম অদুনা চীফ মিনিষ্টর অমদি ণিপুর বিল্ডিং এন্দ অদর কন্সত্রক্সন ৰার্করস ৱেলফেয়র বোর্দকী চেয়রমেননা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়নসু মহাক্না ফোংদোরক্লি।

তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ঐচ এন এস): নম্বোল এ সীগী মনুং চন্না লৈবা ২৪/৪১ নাওরেমদা হান্না কোংগ্রেস পার্টিবু শৌগৎলম্বা ইমুং ৫০গী মীওইশিংনা ঙসি বি জে পিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট থৌনাওজম বসন্তবু শৌগৎতুনা বি জে পিদা য়াওখ্রে। বি জে পিদা নৌনা য়াওরক্লবশিংবু বি জে পি নম্বোল মন্দলনা শীন্দুনা পাঙথোকপা থৌরম অমদা বি জে পিগী ভাইস প্রসিদেন্টসু ওইরিবা নম্বোল এ সীগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট টি ঐচ বসন্তনা তরাম্না ওকখ্রে। থৌরমদুগা মরী লৈননা টি ঐচ বসন্তনা চাউখৎপা এ সী অমা ওইহনগে হায়রবদি অফবা মীরেপ পুথোকসি। মীয়ামগী থবক তৌগদবা মীহুৎ খনবীয়ু হায়খি। থৌরম অদুদা বি জে পি নম্বোল মন্দলগী প্রসিদেন্ট সলাম ব্রজমনি অমদি বি জে পিগী থৌমী কয়াসু শরুক য়াখি।

উতোংলোক কোইরেং ভিলেজদা ২১শুবা মেরা হৌচোংবা থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ঐচ এন এস): মান্নবা খুন্নাই অমা শেম্মনবা হোৎনবদা ঐখোয় পুন্না লেপমিন্নবা চঙই হায়বা ৰাখল্লোন্দা ঙসি অকোম লূপ, কংলৈপাক্না শীন্দুনা উতোংলোক কোইরেং ভিলেজদা ২১শুবা মেরা হৌচোংবা থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না অকোম লূপ, কংলৈপাক্কী আই পি আর সেক্রেটরি অঙৌতো খুমননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোংদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মৈহৌরোল চহী চা কয়াগী মমাঙদগী কংলৈচাশিংনা চীং-তম অনীগী মরক্তা নুংশি-চান্ননা ঐখোয় মশেল অমত্তা ওইনা হিংমিন্নরি হায়বা তাকপা ওইনা মেরাগী ১৫নি পানবা মেরা থানিল নুমীৎতা চীংমী-তম্মী মচিল-মনাও ওইবগী অমত্তা ঙাইরবা থৌরম অকোম লূপ, কংলৈপাক্না পাঙথোক্তুনা লাক্লি। নুমীৎ অসিনা চীংমী-তম্মী অনীগী মরক্তা মচিল-মনাও ওইবগী নুংশি লিপুন অদু নৌহৌননা নীংশিংহল্লি।

থৌরম অসিদা অকোম লূপ, কংলৈপাক্না লিশাং শিংনা ইরমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ইরৈচাশিংগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা পাঙথোক্তুনা লাকপগী শরুক অমা ওইনা চহী অসিগী ওইনসু ২১শুবা মেরা হৌচোংবা থৌরম উতোংলোক কোইরেং ভিলেজদা অচম্বা থৌরম অমগা লোয়ননা পাঙথোকপনি। থৌরম অসিদা অকোম লূপ, কংলৈপাক্কী প্রসিদেন্ট সঞ্জিৎ সোরাইশম, সী এল কেগী এদভাইজর কে এস ঐচ ফজতোন, কিলগী আই পি আর সেক্রেটরি কে ঐচ শান্ত অমদি উতোংলোক কোইরেং ভিলেজগী লুচিংবশিং অমসুং খুঞ্জা কয়ানা শরুক য়াখি হায়নসু চেরোলদুনা ফোংদোরক্লি।

এন পি এফনা হান্না ফংখিবা সিট মশীংদগী হেন্না মায় পাক্কনি : অচুমবেমো কিকোন

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ঐচ এন এস): নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এন পি এফ)না লাক্লিবা মণিপুরগী এসেম্ব্লী মীখল অসিদা হান্না ফংখিবা সিট মশীংদগী হেন্না য়াম্না মায় পাক্কনি হায়না এন পি এফ সেন্ট্রেলগী জেনরেল সেক্রেটরি অচুমবেমো কিকোননা ফোংদোকখ্রে।

ক্লাসিক গ্রান্দেদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবা অমদা এন পি এফ সেন্ট্রেলগী জেনরেল সেক্রেটরি অচুমবেমো কিকোননা হায়খি, নাগা পোলিটিকেল ইস্যু খক নত্তনা অৰাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা লৈরিবা পোলিটিকেল কনফ্লিক্ট ৰারোইশিন পুরক্তুনা তংদু লৈতানা হিংমিন্নবগী ৰাখল্লোন্দা এন পি এফনা ঙসি ফাওবা লেপ্তুনা লাক্লি। এন পি এফকী মীহুৎ মরিনা শৌগৎলিবা লৈঙাক অসি লাকপদগী ঙসিদি লমদম অসিদা অওনবা কয়া পুরক্লিবা অসি থাগৎনিংঙাইনি। পার্টি অসিদা মীয়াম্না থল্লিবা থাজবশিং ঙসি ফাওবা ঙাক্তুনা লাক্লি।

এন পি এফ য়াওবা লৈঙাক অসিগী মতমদা লমদমসিদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপশিংগী মরক্তা হেন্না নুংশি-চান্নবা পুরকপা ঙম্লে। কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুরগী এসেম্ব্লী মীখল অসিদসু এন পি এফকী সিট মশীং হান্নদগী হেন্না ফংগনি। মীখল অসিদা পার্টি অসিগী মীরেপ কয়া করম করম্বা এ সীশিংদা পুথোক্কদগে, করম্বা পার্টিগা চৎমিন্নগদগে অমদি মীখল মতুংদা করম্বা পার্টিগা এল্লাইয়েন্স শেমগদগে হায়বদু এন পি এফকী সেন্ট্রেল কম্মিটিনা অথুবদা ৰারেপ লৌরগনি। লোয়ননা এন পি এফকী এম এল এ মশীং য়াম্না কাদুনা অনৌবা লৈঙাক শেম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌগনি হায়নসু মহাক্না ফোংদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুগী মাঙওইননা এন পি এফ সেন্ট্রেলগী জেনরেল সেক্রেটরি অচুমবেমো কিকোননা এন পি এফ মণিপুর য়ুনিটকী লিদরশিং অমদি পার্টি লেজিসলেচরশিংগা উন্দুনা লাক্কদবা মীখলগী মতাংদসু কুপ্পা খন্নখি। উনবা অদুদা ফোরেষ্ট মিনিষ্টর অৰাংবৌ ন্যুমাই, পি ঐচ ঈ মিনিষ্টর লোসি দিখো, হিল এরিয়া কম্মিটিগী চেয়রমেন লৈসিয়ো অমসুং এম এল এ খাসিমসু শরুক য়াখি।

পোলিটিকেল প্লেটফোর্মদা থোকপদা অথিংবা থল্লে : এ এম এম এস ও

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর মুস্লিম ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (এ এম এম এস ও)গী থৌমীশিংনা পোলিটিকেল প্লেটফোর্মদা থোকপা ঙসিদগী অথিংবা থল্লে হায়না ওল মণিপুর মুস্লিম ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ অয়ুব খাননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোংদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, এ এম এম এস ওগী থৌমীশিংনা লূপ অসিগী থৌ পুরিঙৈ মনুংদা ঙসিদগী হৌদুনা মখা তারকপদা পোলিটিকেলগা মরী লৈনবা থৌরমশিংদা য়ারিবমখৈ ষ্টেজদা থোক্তুনা পোলিটিকেল কম্মেন্ট পীবীগনু হায়না খঙহঞ্জরি। হৌখিবা তাঙ্ককশিংদা এ এম এম এস ওগী থৌমী অমত্তা লূপকী মিংদা পোলিটিকেল পার্টি অমত্তগী প্লেটফোর্মদা থোকখিবা লৈতে। অদুবু লূপ অসিনা তুংগী লম্বীদা মীয়ামগা লোয়নদুনা লৈরকপা মরী অসিদা নুংঙাইতবা থোরক্তনবা চেকশিন ফিরেপ অসি লৌবনি। মণিপুরী মুস্লিমশিংগী য়াইফনবা এ এম এম এস ওনা চহী কয়াগী মমাঙদগী হোৎনদুনা লাক্লি। মসিগী মহৈ ওইনা থবক চঙবা মতমদা চাদা ৪ রিজার্ভেসন মণিপুরী পাঙলশিংগী ফংখ্রে। লোয়ননা হায়র এদ্যুকেসন তম্বদসু রিজার্ভেসন পীবীয়ু হায়বা দিমান্দ তৌদুনা মীয়ামগীদমক হোৎনদুনা লাক্লি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, দি এম য়ুনিভর্সিটি অমদি অতৈ অতোপ্পা অৰাংবা থাক্কী মহৈ তম্ফমশঙশিংদা মণিপুরী পাঙল মহৈরোয়শিং মহৈ তম্বা ফংদ্রিবা কয়া অসি ফংহনবীয়ু হায়না এ এম এম এস ওনা মতম কয়াগী মমাঙদগী লৈঙাক্তা রিজর্ভেসন পীবীননবা দিমান্দ তৌদুনা লাক্লি। অদুবু ঙসি ফাওবা লৈঙাক্লা ৰাকৎ অসি তাবীদনা লৈরি। ওল মণিপুর মুস্লিম ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসনা মখা তানা দিমান্দ অসিগী মতাংদা লৈবাক মীয়ামগা লোয়ননা খোঙজং চঙশিনবা হৌরগনি। মণিপুরী পাঙলশিংনা খুন্দাবা মফমশিংদা লূপ অসিগী মশা লোয়শঙশিং মথং-মথং হাংদোকপগী থবক চথৱি। মসিদা মীয়াম্নসু সপোর্ট তৌবীয়ু হায়না আপীল তৌজরি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোংদোরক্লি।

রোমিও বুংদোন ফাখিববু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা চান্দেলদা রেল্লি চৎখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ঐচ এন এস): চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা থুংচেং ভিলেজদগী হৌজিক্লা লাঙ্গোল গেম ভিলেজদা লৈরিবা ওল মণিপুর ত্রাইবেল য়ুনিয়ন (এ এম টি য়ু)গী ৰার্কিং প্রসিদেন্ট রোমিও বুংদোনবু লম্ফেল পুলিস অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট কম্মান্দোগী অপুনবা টিম অমনা ফাখ্রগা এন এস সী এন-আই এমগী এজেন্টনি হায়না মরাল শীরকপবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ঙসি চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরদা মীয়াম্না রেল্লি চৎখ্রে।

চান্দেলদা লৈবা অনাল ফুরুপকী তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং হায়বদি অনাল নাগা তাংপি (এ এন টি এ), অনাল লেনরুল তাংপি (এ এল টি), অনাললোন চীফস এসোসিএসন (এ এল সী এ), অনাল সিনু রুৰল (এ এস আর) অমদি জোইন্ট এক্সন কম্মিটি ফোর অর্লি রিলিজ রোমিও বুংদোন অনাললা শীন্দুনা ঙসি চান্দেলগী পঞ্চাই ভিলেজদা লৈবা মহা এরিয়া চীফস এসোসিএসনগী হোলদা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোকখি। মীফম অদু লোইরবা তুংদা মণিপুর পুলিসনা ফাজিনখিবা রোমিও বুংদোনবু অথুবা মতমদা থাদোকউ হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা মীয়াম্না রেল্লি অদু চৎখিবনি। রেল্লি অদু পঞ্চাই ভিলেজদগী হৌরগা এস দি ও চান্দেল ওফিস মপা ফাওবা চৎলবা তুংদা মীয়ামগী মীহুৎ খরা খনগৎলগা দি সী চান্দেলগী ওফিসতা চৎতুনা দেপ্যুটি কম্মিস্নার চান্দেলগী খুত্থাংদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম অমসু পীশিনখি হায়রি।

মেমোরেন্দম অদুদা পল্লিবা ৰাফমদি ওল মণিপুর ত্রাইবেল য়ুনিয়নগী ৰার্কিং প্রসিদেন্ট রোমিও বুংদোন অসি এন এস সী এন-আই এমগী মেম্বর নত্তে। ওল মণিপুর ত্রাইবেল য়ুনিয়নগী ৰার্কিং প্রসিদেন্ট ওইনা মীয়ামগী থৌগল তৌজবনি। মদুগীসু মথক্তা মহাক কুমজা ২০১৯দা বি পি ষ্ট্রোক তৌখিবদগী পেরালাইসিস তৌদুনা অমদি কার্দিয়াক পেসেন্ট অমা ওইনা লৈরিবনি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা মহাকপু ফাজিল্লগা মরাল শীরকপা অসি চুমদে। মরম অসিনা মহাকপু অথুবা মতমদা থাদোকপীয়ু হায়নসু মেমোরেন্দম অদুদা পল্লি হায়রি।

মিনিষ্টরনা য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ঐচ এন এস): থানলোন এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এসু ওইরিবা ত্রাইবেল এফেয়র্স এন্দ হিলস, জি এ দি অমসুং ত্রান্সপোর্টকী মিনিষ্টর বুংজাগিন বাল্টেনা এ সী অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈঙাক্লা মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংগী থবক থৌরমশিং ঙরাংদগী হৌদুনা নুমীৎ নীনি চুপ্পা য়েংশিনখ্রে।

য়েংশিন খোঙচৎ অসিগা মরী লৈননা মিনিষ্টর বুংজাগিন বাল্টেনা এ সী অসিগী মনুংদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা খুলশিংগী ভিলেজ চীফশিং, পব্লিক লিদরশিং, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগী লিদরশিং অমদি মীয়ামগা উন্দুনা মখোয়গী ৰাকৎশিংসু তাখ্রে। লোয়ননা থানলোন এ সীদা চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎননবা ৰাফমসু থমখ্রে।

মিনিষ্টর বুংজাগিন বাল্টেনা ফোংদোকখিবদা, মীয়ামদা থক্লবা টোটি ঈশিং নীংথিনা ফংহন্ননবা লৈঙাক্লা জল জিবন মিসনবু মপুং ফানা ইমপ্লিমেন্ট তৌননবা হোৎনবদা মীয়াম্নসু মতেং পাংবীয়ু হায়খি।

মুৰালনামদা শেমগৎ শাগৎলিবা ইকো টুরিজম প্রোজেক্ট য়েংশিল্লদুনা মিনিষ্টরনা হায়খি, করিগুম্বা প্রোজেক্ট অসি লোইশিল্লবদি মফম অসিদা কেফেটেরিয়া, পব্লিক য়ুটিলিটি, ওপন ষ্টেজনচিংবা লৈবগা লোয়ননা ফজরবা মাউন্টেন ভিয়ু অমসু উবা ফংগদৌরিবনি। লৈঙাক অসিনা পায়খৎলকপা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিংগী শরুক অমা ওইনা ইকো ফ্রেন্দলি ওইবা প্রোজেক্ট কয়া অমসু পায়খৎননবা হোৎনরি। অমগা অমগগী মরক্তা নুংশিনদবনা হীরম খূদিংমক্তা অফবা পুরকপা ঙমদে। মরম অসিনা মীয়াম্না নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নদুনা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং নীংথিনা পায়খৎননবা হোৎনবদা থৌদাং লৌমিন্নসি। মপানগী ফোর্স অমত্তনা অয়েৎ-অকায় পীবা তৌহনগুমসি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোংদোকখি।

বোম থল্লম্বগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ৰাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ঐচ এন এস): হৌখিবা ওক্টোবর ১৮গী নুংথিল পুং ৩.৩০ রোম তারকপদা পুংদোংবম অৰাং মনিং লৈকায়দা লৈবা ইরুংবম কুবেরগী অৰাংথংবা শঙ্গোয়গী মথক্তা বোম থল্লম্ববু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ঙসি পুংদোংবম ময়াই লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা মীয়াম্না ৰাকৎ মীফম ফমখ্রে।

পুংদোংবম ৰিমেন দিভেলপমেন্ট সোসাইটি, পুংদোংবম খুল দিভেলপমেন্ট কম্মিটি অমসুং পুংদোংবম য়ুথ সোসল ক্লবনা পুন্না খুৎশম্নরগা মীওই কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা ৰাকৎ মীফম অদুদা লৈকায় মীয়ামদা অকি-অখঙ পোকহনবা য়ানিংদে, বোমগী এটেক কন্দেম তৌই, বোম এটেক ইজ এন এক্ট ওফ টেররিজম, কনানা করিগীদমক তৌরিবনো শেংদোকপীরকউ, বোম এটেক ইজ নোট এ সোল্যুসন হায়না থাবা প্লেকার্দশিংসু শীজিন্নখি।

ৰাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মীয়াম্না ফোংদোরকপদা, পুংদোংবম অৰাং মনিং লৈকায়দা লৈবা ইরুংবম কুবেরগী য়ুমগী অৰাংথংবা শঙ্গোয় মথক্তা হেন্দ গ্রেনেদ লংশিল্লম্বা অসি কনানা করি মরমগীদমক্তা লংশিল্লম্বনো হায়বদু ঙসিদগী পারগা ওক্টোবর ২৫ ফাওবগী মনুংদা শেংদোকপীরকউ। য়ুম কুংনা লৈবা মফম অসিদা বোম লংশিল্লম্বগী থৌওং অসি তশেংনা নুংঙাইজদে অমসুং য়ানিংদে হায়নসু ফোংদোরক্লি।

বোম লংশিন্দুনা মীয়ামদা অকি-অখঙ পোকহনবা থৌওং অসি মখা তানা তৌবীগনু হায়নসু পুংদোংবম য়ুথ ফিজিকেল ক্লব, পুংদোংবম ৰিমেন দিভেলপমেন্ট সোসাইটি অমদি পুংদোংবম খুল দিভেলপমেন্ট কম্মিটিগী মায়কৈদগীসু আপীল তৌরক্লি।

ন্যু হোপ লাইফ ফাউন্দেসন ফোর দিসএবিলিটিজকী শঙলেন শাননবা ফাউন্দেসন ষ্টোন য়ুংখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ঐচ এন এস): ন্যু হোপ লাইফ ফাউন্দেসন ফোর দিসএবিলিটিজ (এন ঐচ এল এফ দি), চিংমৈ অৰাং লৈকায়গী শঙলেন শাননবা ফাউন্দেসন ষ্টোন য়ুংবগা লোয়ননা ফাউন্দেসন অসিগী দিভেলপমেন্ট প্রোগ্রামশিংগী মতাংদা মীয়াম খঙমিন্নবগী থৌরম অমা ঙসি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা কৈবুল চিংমৈ অৰাং লৈকায়দা পাঙথোকখ্রে।

THE NEW HOPE LIFE FOUNDATION FOR DISABIL
IN AIDS OF
NDATION STONE
EF GUEST
INDRO SINGH
Chairman, Govt. of Manipur)
Thanga A/C
PRESIDENT
CH. DEBENDRO SI

থৌরম অদুদা পি দি এগী চেয়রমেনসু ওইরিবা থাঙ্গ এ সীগী এম এল এ তোংব্রম রোবিন্দ্রো; এন ঐচ এল এফ দিগী প্রসিদেন্ট চিঙ্গাংবম দেবেন্দ্র; ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো)গী প্রসিদেন্ট পি ঐচ নন্দো লুৰাং অমদি সোসল ৰার্কর রোকি কোমনা থৌরম মপুশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগা মরী লৈননা এম এল এ তোংব্রম রোবিন্দ্রোনা হায়খিবদা, নৌনা শাগদবা ন্যু হোপ লাইফ ফাউন্দেসন ফোর দিসএবিলিটিজকী শঙলেন শানবা ফাউন্দেসন ষ্টোন মায়খুম ঙসি হাংদোকপগা লোয়ননা শঙলেন অসি শাবদা ঐগী মায়কৈদগী অঙম্বা মতেং পাংগনি। ফাউন্দেসন ষ্টোন য়ুংলিবা অসিনা শঙলেন অমা শাবা লোইরক্লগদি লমদমসিদা লৈবা হকচাংগী ফীভম মীমান্নদ্রবা মীওই কয়াগী হিংনবগী থাক ৰাংখৎনবা, ৰাখল লৌশিং পীনবা, শেম্লোক লম্বী লৈরক্লবা লম্বী কয়া ওর্গনাইজেসন অসিনা শোয়দনা শীল্লক্কনি থাজে হায়নসু ফোংদোকখি।

স্পিকর খেমচান্দনা ৱার্দ নম্বর ১৬কী ইলেক্সন কম্মিটিগী ওফিস হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ঐচ এন এস): মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লীগী স্পিকর ৰাই খেমচান্দনা ঙসি শীংজমৈ এ সীগী মনুং চন্না লৈবা ৱার্দ নম্বর ১৬কী ইলেক্সন কম্মিটিগী ওফিস অমা হাংদোকখ্রে।

ইলেক্সন কম্মিটিগী ওফিস হাংদোকখিবা অদুগা মরী লৈননা ইবুধৌ লুৰাংপোকপা মোদেল ক্লব গ্রাউন্দ, চীংঙামখাদা পাঙথোকখিবা থৌরমদুদা ৱা ঙাংলদুনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী স্পিকর ৰাই খেমচান্দনা হায়খি, শীংজমৈ এ সীদা মমাঙদা ভোট কারম্বা অমদি মিনিষ্টর ফাওবা ওইরম্বা মীওই অদুনা এ সী অসিগী চাউখৎ থৌরাংগী থবক নীংথিজনা তৌরমদৱদগী মীয়াম্না শাউদুনা মঙোন্দা ভোট পীরকখিবদগী ঙসি মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবনি। থবক তৌদ্রবদি মীখলদা মায়থী হায়বসি পারা অমা ওইনা তমদুনা খঙবদগী মীয়ামগী চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎননবা মীহুৎ অমা ওইনা কন্না হোৎনজৈ। এ সী অসিদা হৌখিবা চহী মরি মখায়রোম অসিদা পায়খৎখিবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিংসু মতম চানা লোইশিন্ননবা অখন্নবা মীৎয়েং চঙদুনা লাক্লি।

এম এল এ হায়বসি মীয়াম্না মীখলদা মায় পাকহল্লক্লগা ওইবনি। মীখলদা মায় পাকহল্লক্ত্রবদি এম এল এ ওইরোই। মীয়ামগা তোৎন-তীন্নদুনা লৈবা হায়বসি ঐগী ৰাখল্লোননি। মরম অসিনা মীয়ামগা তোৎন-তীন্নদুনা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎকনি। শীংজমৈ এ সীদা পুরক্লিবা দিভেলপমেন্ট অসি ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না শীংথানবা হৌরবনি। মথংগী টর্মদদি হীরম অমদা অমুক শীংজমৈ এ সীবু শীংথাহন্ননবা হোৎনজগে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোংদোকখি।

থৌরম অদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরি পি চিদানন্দ মৈতৈ, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট চিদানন্দ, বি জে পি শীংজমৈ মন্দলগী প্রসিদেন্ট ক্ষেত্রিময়ুম রতন, আই এম সীগী এক্স-মেয়র আই লোকেশ্বর অমদি শীংজমৈ এ সীগী মনুং চন্না লৈবা তোঙান তোঙানবা বুথশিংগী বুথ প্রসিদেন্টশিংসু দেজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা শীংজমৈ এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চনবা ৱার্দ নম্বর ১৬তা লৈবা তোঙান তোঙানবা কম্মিটি ১০না শীংজমৈ এ সীদা পুরক্লিবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং নীংথিনা তৌবগীদমক এ সী অসিগী এম এল এসু ওইরিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লীগী স্পিকর ৰাই খেমচান্দদা শকখঙ চে অমা পীদুনা ঈকায়খুম্নবসু উৎখি।

থৌরমদুদা ৱাঙাংলোয় ওইখিব-শিংনসু স্পিকর ৰাই খেমচান্দনা শীংজমৈ এ সীদা চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়ামরুম পায়খৎলিবা অসিবু থাগৎপগা লোয়ননা শীংথাখি।

লৈবাক লান্না পুরকপা পোৎলমশিং ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ঐচ এন এস): আই জি এ আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা তেংনৌপল বট্টালিয়ন্না খুদেংথাবী মনাক্তা লৈবাক লান্না পুরকপা অথিংবা থমখ্রবা পোৎলমশিং ফাগৎখ্রে হায়না আই জি এ আর (সাউথ)কী চেরোল অমনা ফোংদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ইল্লিগেল ওইবা পোৎলমশিং বোর্দর লান্দুনা পুথোক পুশিন তৌরে হায়বা অকক্লবা পাউ অমা ফংবদগী অসাম রাইফলসকী টিম অমনা খুদেংথাবী মনাক্কী এরিয়াশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথখি। অসাম রাইফলসকী পর্সনেলশিং অদু উবদা শকখঙদবা মীওইশিং অদুনা মখোয়না পুরকপা ইল্লিগেল ওইবা পোৎলমশিং অদু হুন্দাক্লগা চেনখি। মদুদগী পোৎলমশিং অসি করিনো হায়না য়েংলুবা মতমদা মপান লৈবাক্তা শাবা চুরূট, গোদজিলা কোইল, ক্বা সুপারি অমদি কোস্মেটিক্কী পোৎলম কয়া ফাগৎখি। ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদু চাউরাক্লা লুপা লাখ ৩.৮৪ রোম ওইগনি হায়রি।

কনাগুম্বা কাঙলুপ নৎত্রগা ফুরুপ অমত্তগী মিং শীজিন্নদুনা জিয়ু হায়খিবা লৈতে : এল ৰাই ও

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ঐচ এন এস): কনাগুম্বা কাঙলুপ নৎত্রগা ফুরুপ অমত্তগী মিং শীজিন্নদুনা জিয়ু হায়খিবা লৈতে। চাউখৎপা, ঈং-তপ্পা পুরকপদা নহাশিংগী থৌদাং য়াম্না চাউই হায়না লিলোং দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (এল ৰাই ও)গী মায়কৈদগী ফোংদোরক্লি।

এল ৰাই ওগী কনভেনরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা ওক্টোবর ১০দা লিলোং এ সীগী মনুং চন্না লৈবা লিলোং তুরেল অহনবী দরুল উলুম মখাথংবদা লৈবা এম দি সদম খানগী শঙ্গাইদা পাঙথোকখিবা লিলোং এ সীগী ওইনা য়ুথ ইন্টরেক্সন মীটকী থৌরম অমা লিলোং য়ুথ ওর্গনাইজেসন্না শীন্দুনা পাঙথোকখি। হায়রিবা থৌরম অসিদা লিলোংগী য়ুথ অমা ওইনা য়ুনুস আলি শরুক য়াখিবনি। থৌরম অসিদা ওল মণিপুর মুস্লিম ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (এ এম এম এস ও)গী মিং অমত্তা শীজিন্নখিবা লৈতে অমদি থৌরম অসিগা এ এম এম এস ওগা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে। থৌরম অদু পোলিটিকেল পার্টি অমত্তগী মখাদা পাঙথোকখিবসু নত্তে। মীরেপ অমত্তগসু মরী লৈনদে। মরক অসিদা মীওই খরনা মীদিয়াগী খুত্থাংদা এল ৰাই ও অমদি য়ুনুস আলিগা এ এম এম এস ওগা মরী লৈনবা মালহনবা ৱারোল কয়া থাদোরকপা অসি য়াম্না লাইবক থীবনি। লিলোং এ সীগী য়ুথশিংগী থৌরম অমা পাঙথোকপা মতমদা লিলোং মচা অমা ওইনা য়ুনুস আলিনা শরুক য়ারুবা মতমদা মীওই খরনা এ এম এম এস ওগা মরী লৈনবা মালহন্ননবা হোৎনবনি হায়বসি মীয়াম্না হেন্না খঙনরবনি। য়ুনুস আলিনা শরুক য়াখিবা য়ুথ ইন্টরেক্সন মীট অসি এ এম এম এস ওগী মিংদা শরুক য়াখিবা নত্তে। মহাকপু ষ্টেজদা কৌথোকপা মতমদসু মিং খক্তমক পন্দুনা কৌথোকখিবনি। এ এম এম এস ওগী মিং শীজিন্নখিদে। মসিগী ভিদিও রেকোর্দসু এল ৰাই ওদা লৈজে। মরী-মখোং শম্নদবা অরানবা প্রোপেগন্দা কয়া শন্দোক্তুনা মীয়াম্বু লান্না লমজিংনবা হোৎনবা মানবা মরম চাদবা ইল্লিগেসন কয়া তৌরকপা অসি মতুংদা তৌবীগনু।

এল ৰাই ও অমদি য়ুনুস আলিনা জিয়ু হায়না কনাগুম্বা ফুরুপ নৎত্রগা কনাগুম্বা মীওই অমত্তগী মিং নৎত্রগা শাগৈ শীজিন্নদুনা হায়খিবসু লৈতে। মীওই খরনা ফুরুপ অমদা জিয়ু হায়বনি হায়না লান্না উহন্ননবা হোৎনরকপা অসি মতুংদা তৌবীগনু। লিলোং এ সীদা মতম কয়াগী মমাঙদগী নুংশি-চান্ননা অমদি ঈং-তপ্পা লৈমিন্নরকপা মচিল-মনাও ওইবগী ৰাখল্লোন অমদি নুংশিনবগী মরী অসি কায়হন্ননবা অতম্মনা হোৎনরকপা অসি মতুংদা অমুক হন্না তৌবীদনবা এল ৰাই ও অমদি য়ুনুসকী মায়কৈদগী আপীল তৌজরি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোংদোরক্লি।